## মালেমগী অঙকপশিং

# মিনাক্ষি সুন্দরেশ্বর টেম্পল



খা থংবা ইন্দিয়াগী তামিল নাডুদা, মদুরাইগী ৱাইগাই তুরেল তোৱর্বান্দা মিনাক্ষি টেম্পল লৈ। মিনাক্ষি সুন্দরেশ্বর টেম্পল নৎত্রগনা মিনাক্ষি অম্মন কোৱিল হায়নসু খঙনবা লাইশঙ অসি হিন্দুগী লাইরেম্বী পার্বতি অমদি লাইরেম্বা শিবদা কত্থোক্লবা ইতিহাসিক ওইর বা লাইশঙনি। চহি ২৫০০ শুরবা মদুৱাই সিটি অমদি টামিল মীয়ামগী য়াম্না মরু ওইবা সিম্বোল অমা ওইরিবা লাইশঙ অসিদা গোপুরম (গেটৱে টাৱর) ১৪ লৈ। গোপুরমশিংগী অৱাংবা মিটর ৪৫ দগী মিটর ৫০ রোম ফাওবনি। অৱাংবা মিটর ৪৫ দগী মিটর ৫০ রোম ফাওবনি। মিটর ৫১.৯ (ফুট ১৭০) ৱাংবা খা থংবা টাৱরগী খ্বাইদগী ৱাংবা গোপুরমনি। নুমিৎ খুদিংগী মীওই ১৫,০০০ রোম লাইশঙ অসিদা লাক্লরি। ইরাই নুমিৎতদি মীওই ২৫,০০০ রোম ফাওবা লাকপা য়াওই। মসিদগী লুপা লাখ ৬০ রোম চহি খুদিংগী খোমগৎপা ঙম্লি।

খুৎনা হক্তুনা শেম-শাবা মিতম ৩৩,০০০ রোম লৈবা লাইশঙ অসি খ্বাইদগী নৌবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চন্নবা খনগৎলবা নোমিনী ৩০ গী মনুং চল্লে। চহি খুদিংগী এপ্রিল অমদি মে থাদা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা পাঙথোকপা মিনাক্ষি তিরুকল্যানম ফেষ্টিভেলদা মীওই লাখ ১০ রোম শরুক য়াবা লাকই।

মিনাক্ষি হায়বসি হিন্দু লাইরেম্বী পার্বতিগী শাইওননি হায়না থাজনরি। টামিল লোলদা "মিনা" হায়বসি "ঙা" হায়বনি অমসুং "নক্ষি" হায়বসিনা "মীৎ" হায়বনি। তামিল নাডুগী খ্বাইদগী চাওবা লাইশঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা "মিনাক্ষি টেম্পল" দা মায়কৈ মরিদগী চঙফম লৈ। বিশ্বান্তা নায়কা শিনপা শাস্ত্র (আর্কিটেকচরগী কাঙলোন) মতুং ইন্না নৌনা শেমদো শাদোকখিবা লাইশঙ অসি মদুরাই সিটিগী ময়াই চপ চানা লৈ। একর ৪৫ (স্কেয়ার মিটর ১৮০,০০০) পাক চাওবা কমপ্লেক্স অমগী মনুংদা লাইশঙ অসি লৈবনি।

গোপুরম (গেটৱে টাৱর) ১০ না ইকোয়-কোয়শিনবা লাইশঙ অসিগী খা-থংবা মায়কৈদা লৈবা ফুট ১৭০ ৱাংবা টাৱরনা খ্বাইদগী ৱাংবা অমদি মমিং ইচৎ-চৎপা টাৱরনি। নূঙনা মথোল নাইনা শেমগৎপা গোপুরম খুদিংমক্তা লাই, হিংচাবা অমদি শা লিশিং-লিশিংগী নূঙনা হকপা শক্তমশিং য়াওই।

পোর্থমলাই কুলম (সনাগী থম্বাল হৌবা পুখ্রি) কৌবা শেংলবা পুখ্রি অমা লাইশঙ অসিদা লৈ। ফুট ১৬৫ শাংবা অমসুং ফুট ১২০ পাকপা পুখ্রি অসিদা মখল অমত্তগী ঙা নত্ত্রগনা থৱায় পানবা অমত্তা লৈতে। থাজনবী অমগী মতুং ইন্না শিব মহাদেবগী য়াথংদগী পুখ্রি অসিদা মখল অমত্তগী থৱায় পানবা লৈতবনি হায়রি। থায়না মমাংঙৈদা অইবা লিটরেচরগী ওইবা মচাক-মথুমশিং পুখ্রি অসিদা থাদদুনা চাংয়েং তৌরম্মী। মগুণ লৈবা, সাহিত্যগী পুক্কৈদা থমজিনবা য়াবা খুৎই লাইরিকশিং পুখ্রি অসিদা থাদবা মতমদা তাওখৎলকই অমসুং মগুণ য়াওদবা খুৎই-লাইরিকশিংনা লূপথখি হায়রি।

লাইশঙ অসিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা হোলশিংগী মনুংদা য়ুম্বী মখোঙ ১০০ য়াওবা মিনাক্ষি য়াকর মান্দপম কৌবা হোল অমা য়াওই। পরেং অনি থোক্লা শাংনা লৈরিবা য়ুম্বী মখোঙশিং অসিদা মকোক্লা শামুগী পানবা অদুগা মশানা নোংশাগী ওইবা "য়ালি" গী শক্তমশিং হক্তুনা লৈ। য়ুম্বী মখোঙ ১০০০ য়াওবা হোল অসি কুমজা ১৫৬৯ দা মদুরাইগী অহানবা নায়কা, বিশ্বনাথা নায়ক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরিয়ানাথা মুদালিয়রনা শারম্বনি। লাইশঙ অসিগী চহি ১২০০ শুরবা পুৱারীগা মরী লৈনবা আইকন, ফোটোগ্রাফি, অমদি অয়েকপা শক্তমশিং উৎপা আর্ট ম্যুজিয়ম অমা হোল অসিদা লৈ। হোল অসিগী মপান্দা ম্যুজিকেল পিলর কয়ামরুম লৈ। পিলরশিং অদুদা হেক থেংলুবদা তোঙান তোঙানবা মখোল থোরকই।

লাইশঙ অসিদা লৈরিবা লাই পান্নবা মীওই ৫০ না নুমিৎ খুদিংগী তরুক্লক হন্না লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোকই। লাইশঙ অসিগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কুম্মৈদি "মিনাক্ষি তিরুকলয়ানম" নি। চহি খুদিংগী এপ্রিল থাদা হেক হেক পাঙথোকপা কুম্মৈ অসি মিনাক্ষিনা শিব মহাদেবদা লূহোংবগী থৌরম নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি। থা অমা চুপ্পা পাঙথোকপা কুম্মৈ অসিগী শরুক অমা ওইনা শগোল গাড়ী থৌবা অমদি হি হোনবগী থৌরমশিং পাঙথোকই। "নবরাত্রি" অমদি "শিবরাত্রি" গুম্বা হিন্দুগী মরু ওইবা থৌরমশিংসু লাইশঙ অসিদা চহি খুদিংগী চাউনা পাঙথোকই।

তামিল নাদুগী অতৈ অতোপ্পা "শক্তি টেম্পল" শিংদা পাঙথোকপগুম মিনাক্ষি টেম্পলদসু চহি খুদিংগী জানুৱারি-ফেব্রুৱারি অমদি জুলাই-আগষ্ট থাদা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ইরাই নুমিৎ খুদিংগী অচৌবা লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোকই। "অৱাদি মুলা উতমৱম" কৌবা নুমিৎ ১০ নিগী ওইবা অচৌবা কুম্মৈ অমসু চহি খুদিংগী লাইশঙ অসিদা পাঙথোকই। চহিচা কয়াগী মমাঙদগী লাইশঙ অসি তামিল মীয়ামগী নাৎ, হরাও-কুম্মৈ, জগোই-ঈশৈ আর্ট, লিটরেচর অমদি এডুকেসনগী মরু ওইবা ময়োল অমা ওইদুনা লাক্লি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# ওইলি ওইবা উনশাগী লৌখৎপা য়াবশিং




ওইলি স্কিনগী মীওইশিংগীদমক্তা ঙসিগী আর্টিকল অসি পুথোকচরি। ট্রোপিকেল ৱেদর কন্দিসনশিং লৈবা, কা হেনবা নুমিৎকী মৈশা, মঙাল মরক্তা তত্তনা হুমাং থোকপা, পোল্যুসনগী চাং হেনমনবা অমসুং অতৈ ফেক্টর কয়ানা নহাক্কী থাউ/ফেটকী গ্লেন্দশিংদা অকায়বা পীবা য়াই। মদুগী ফলনা ওইলি টি-জোন লেপ্তুনা শেমই। অদুগুম্বা ওইলি টি জোন অদু নহাক্কী নমায় অপুম্বা য়ৌবা য়াই। থাঙ্গৈশেংবা প্রোব্লেমদি ওইল প্যেরশিংদগী থাউ নৎত্রগা লেক কয়াম্না থোক্লকই হায়বসিনি। মদু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবদি নহাক্কী উনশা অমসুং উরিং কন্ট্রোল তৌগনি। করম্না মদুবু কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বদু হৌজিক ঐখোয় খঙমিন্নরসি।

হকচাংদা থাউরেক য়াম্না থোকই, লেক কাই হায়দুনা মোইসচুরাইজিং তৌরোইদবগী মরম লৈতে। করিগুম্বা নহাক্লা ওইলি স্কিন লৈরগা মোইসচুরাইজ তৌদবা তারবদি নহাক্কী থাউগী গ্লেন্দশিংনা সেবম অমা পুথোক্তুনা (লেক হেন্না থোকহন্দুনা) নহাক্কী উনশাদু অমুক্কা হেন্না ওইলি ওইহনগনি। মরম অদুনা নহাক্লা ওইলি স্কিনগীদমক্তা খ্বাইদগী ফবা ক্রিম শিজিন্নৌ। কৈথেলদা য়োনবশিংগী মনুংদা পোন্দসকী সিল্ক ক্রিম মোইসচুরাইজর শিজিন্নবদা কান্নবা ফলশিং ফংই হায়বসি খঙনরে। মসিগী ক্রিম অসি উনশাগা নিংথিনা চূশিন্নখি অমসুং তৈরবা মতুংদা চনপ-চনপ লাউহন্দে। মসিদা পুং ২৪ গী মোইচরা লোক ফোর্মুলা য়াওই হায়বদি নহাক্লা মসি অমুক্তং তৈখিবগা নঙোন্দা নুমিৎতুমা স্কিন দিহাইদ্রেসন থোক্লক্কনি হায়বগী চিংননিংঙাই ওইদ্রে।


নহাক্কী স্কিন অদু মতম শাংনা ওইলি ওইরবদি মতম পুম্বদা চনপ-চনপ লাউদুনা লৈ হায়বনি। মরম অদুনা নহাক্লা তঙাই ফদনা ব্লোটিং সীটশিং পুরগা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ব্লোটিং সীটশিংনা নহাক্কী উনশাদগী থোক্লক্লিবা থাউ/লেক অপুম্বদু চূপশিন্দুনা উরিং অমদি অতৈ উনশাগী নুংঙাইতবা কয়া থোক্লক্কবগী খুদোংচাবা ফংহন্দে। অতৈ নহাক্লা চেকশিনগদবনি নহাক্লা নমায়দু কয়াম তোয়না শোকপগে/পায়বগে হায়বসিনি। নহাক্কী নখুৎতা অমোৎ-অকায়, উফুল-ৱাইফুল থাংদুনতা লৈ। নখুৎকী অমোৎ-অকায়শিং অদুনা মায়গী উনশাগী তুখোঙশিং ফূঞ্জিন্দুনা উরিং থোক্লক্কবগী মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ নখুৎতা নমায়দা শোক্কনু।

ক্লিনসিংগীদমক্তা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নৌ :


উনশাদা নুংঙাইতবা য়াওরকপা মতমদা ঈশিং অঈংবনা ফৈ হায়না নহাক্লা খল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মদু চুমদে। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা থাউ তুম্বা থুই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নরবদি উনশাগী অমোৎ-অকায় অমদি বেক্টেরিয়া পুম্বা শেংনা থাদোকখিদুনা নহাক্কী উনশাদু তরূ-তরূনা লৈহৌই।

## ꯃꯈꯥꯗ ꯄꯤꯔꯤꯕ ꯃꯃꯤ ꯑꯅꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯊꯤꯕꯤꯌꯨ







Title: Scenery
By: Dishan
Class: VII Sec: Roll No. 10
School: Manipur Star Institute




Title: Scenery
By: Nameirakpam Jenita Devi
Class: V Sec: Roll No. 28
School: St. Peter High School




Title: A House
By: Jacqueline
Class: II Sec: Roll No. 27
School: Heritage Convent



Title: Scenery
By: Diti
Class: III Sec: Roll No. 6
School: KVS Lamphel



Title: Scenery
By: Thounaojam Devraj Singh
Class: VI Sec: Roll No. 45
School: Regular English High School



Title: Scenery
By: Thounaojam Lanchenba Singh
Class: V Sec: Roll No. 36
School: St. Josheph's Hr. Sec. School



Title: Helicopter
By: Thawanthaba W.
Class: K.G Sec: B Roll No. 18
School: Premier English Academy



Title: A Doll
By: Kh. Urvashi
Class: I Sec: Dimond Roll No. 3
School: Heritage Convent

**APOLLO** ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
**TUTORIAL CENTRE**
**Moulding Medical and Engineering Career**
*Admission Open For*

**2nd Foundation Course**
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019

**Apollo - NEET (UG)**
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
*Special feature* :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : Ist Week of July 2019.

Physics Faculty: Madam Tamphasana, Former Lect.: HRD Academy, St. Joseph's School, Maria Montessori Sr. Sec. School
Chemistry Faculties: 1. Miss Nuja, Lect. COMET Sch. 2. Miss Saroja, Lect. MEM Hr. Sec. Sch.
Biology Faculties: 1. Miss Lunfasana, Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha, Lect., KP College
Maths Faculties: 1. Sir. L. Basanta, Former Lect.: HRDA 2. Sir Ingobi, Lect. ADVANCE Sch.
English Faculty: Sir. Susil Singh, Former Lect. : Little Master Sch. KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm

**Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001**

HL-B/5460/11-30june/1-10july

HL-P/4274/7/30june/1-7july

ꯑꯣꯏꯜꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
**OILS COACHING CENTRE**
SANGAIPROU MAMANG LEIKAI, IMPHAL
Knowledge conquers all
Temporary office: Khuyathong SB building, near LIC office

**Admission open**
**(5 Months Foundation Course 2019)**

Facilities Provided:-
1. Smart Class.
2. Unique Teaching Pedagogy.
3. Study Materials.
4. Regular Doubt Clearing Sessions.
5. Weekly & Monthly Test Series.
6. Guest Faculties from Reputed Institute /University.
7. Biometric Attendance.
8. Classes Under CCTV Surveillance.
9. 5% discount for textbook

**Class XI & XII Science**
*40 Seats only*

Scholarship Entrance test:
> First 3 toppers :100% (Fee Waiver)
> Top 4th – 10th : 75% ( Fee Waiver)
> Top 11th – 20th : 50% ( Fee Waiver)
Last date of regd. : 20th June, 2019.
Date of Exam. : 23rd June, 2019.

Last date of Admission : 2nd July, 2019
Class starting : 4th July, 2019

Subjects offered:-
Phys, Chem, Bio & Maths

Special Offer:
i. 15% off for BPL/AAY card holders.
ii. Rs 2000/- off for Govt. School's Students.
iii. 100% fee concession on 80% and above in class X Board Exam.
iv. Free Revision Course (2 months).

For further details please contact: 7005187403, 8414874458, 9774114538
OILS Coaching Centre oilscc2019@gmail.com